# ইন্দিয়ন আর্মিনা চাইনিজ পি এল এ কন্টেক্ট তৌদুনা ফাখিবা অরুনাচল নহা ১ থাদোরক্লবা তকশিনখ্রে





ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন আর্মিনা হোটলাইনগী খুত্থাংদা চাইনিজ পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) কন্টেক্ট তৌখ্রে অমসুং ফাখিবা অরুনাচল প্রদেশকী মিরাম তারোম কৌবা নহা অমা হলহল্লক্লবা তকশিনখ্রে হায়না শগোলশেল নুমীৎতা দিফেন্স ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

দিফেন্স পি আর ওগী ত্বিট অমনা হায়, মশাগী চহী ১৭ শুরবা অরুনাচল প্রদেশকী জিদোদগী মিরাম তারোম কৌবা নহা অসি পি এল এনা ফাখিবনি। পাউ অদু ফংবদা ইন্দিয়ন আর্মিনা খুদক্তা হোটলাইন অমগী খুত্থাংদা পি এল এ কন্টেক্ট তৌখি। নহা অদুবু মফম কদায়দা লৈবগে হায়বদু খঙদোকপগা লোয়ননা মহাকপু প্রোটোকোলগী মতুংইন্না হলহল্লক্লবা ঐখোয়না পি এল এদগী মতেং লৌনবা হোৎনখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ইটানগরদা অরুনাচল প্রদেশ গভর্ণমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা, নহা অদুবু অশোয়-অঙাম য়াওদনা অরুনাচল প্রদেশতা অমুক হলহল্লক্লবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মীৎয়েংসু চিংশিনখ্রে।

অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা হায়খি মদুদি, দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা দিপ্লোমেটিক চেনেলশিংগী খুত্থাংদা ৱাফম অদু চাইনিজ ওথোরিটিদা খঙহনখ্রে। নহা অদু শোয়দনা থাদোরক্কনি অমসুং মহাক য়াম্না থুনা মহাক্কী খুঙ্গংদা হল্লক্কনি হায়না ঐহাক্ল থাজে। লোকেল বি জে পি এম এল এ অমা ওইরিবা অরুনাচল প্রদেশকী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর অলো লিবাংনা ফোঙদোরকখিবদা, নহা অদু য়াম্না থুনা হল্লক্লগনি হায়না মহাক্ল থাজে।

রিপোর্ট খরগী মতুংইন্না চাইনিজ আর্মিনা তারোমবু চাইনানা কুমজা ২০১৮দা কিলোমিটর ৩-৪গী লম্বী অমা শেমগৎখিবা ইন্দিয়ন টেরিটোরিদগী ফাখিবনি। থৌদোক অদু জন্যুৱারী ১৮দা অপ্পর সিয়াং দিষ্ট্রিক্টতগী রিপোর্ট তৌরকখি। মফম অদুদগী নাম্থোরকখিবা মহাক্কী মরুপনা ওথোরিটিদা রিপোর্ট তৌখিবনি।

# শ্রিলঙ্কান নেভিগী হিনা থোম্বদগী ইন্দিয়ন ঙামীশিংগী হি অমা ঈশিংদা লুপখ্রে, ঙামী ৭ রেস্ক্যু তৌখ্রে



চেন্নাই, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): শ্রিলঙ্কান নেভিগী হি অমনা তামিল নাদু মচাশিং ওইবা ইন্দিয়ন ঙামীশিংগী হি অমদা শাফু কন্না থেংজিনবদগী হি অদু মফম কয়াদা ময়ি চৎখিবগা লোয়ননা ঈশিংদা লুপখ্রে। হি অদুদা তোংবা ঙামী তরেৎ অতৈ ঙামীশিংনা রেস্ক্যু তৌখ্রে হায়রি। থৌদোক অদু য়ুমশকৈশা নুমীৎকী অথেংবা অহিংদা থোকখিবনি।

ওল মেকানাইজ বোট ফিশরমেন এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট পি সেসুরাজানা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা হায়খি, য়ুমশকৈশা নুমীৎকী পুং ৪গী মতুংদা রামেস্বরাম এরিয়াদগী হি ৪৫০ সমুদ্রদা হোন্দোকখি। মখোয়না কাটচাথীয়ু মনাক্তা ঙা ফারিঙৈদা শ্রি লঙ্কান নেভিগী হি অমা মফম অদুদা চঙশিল্লকখি অমসুং ঙা ফাবদা শীজিন্নরিবা হি অমদা শাফু কন্না থোমজিল্লকখিবগা লোয়ননা হি অদু ময়ি চৎখি অমদি ঈশিংদা লুপখি। মদু ঙামীশিংগী অচৌবা মাঙজবা অমনি। তৌইগুম্বসুং লাইবক ফবদগী ঙামীশিংনা দিষ্ট্রেস এলার্ম পীখি অমসুং অনকপদা ঙা ফারিবা ঙামীশিংনা মখোয়বু ঈশিংদগী রেস্ক্যু তৌখি। থৌদোক অদুদা মী শিবা নাবা য়াওখিদ্রবসু মদু তোয়না থোকপা থৌদোক অমা ওইরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টশিংনা পাউ ফাওনদুনা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিংগী মায়োক্তা শ্রি লঙ্কানশিংদা দিপ্লোমেটিক প্রেসর হেন্না পীগদবনি। ইস্যু অসিবু নেসনল থাক্তা খঙহন্নবগীদমক ঐখোয়না ব্লোকেদ চথবা নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈতে।

সেসুরাজানা মখা তানা হায়খি মদুদি, রামেস্বরম অমসুং রমানাথপুরমগী ঙামী অয়াম্বা চয়োল অমগী মনুংদা অনীরক্তমক সমুদ্রদা ঙা ফাবা চৎতুনা তামিল নাদুগী ঙামীশিংগী শেন্দাল লম্বীদা চাউনা শোকহল্লে। মসিনা ঙামীশিংগী শেল-থুমগী ফীভম অমদি পুন্সি মহিংদা চৈথেং পীরে। কুমজা ২০২১ খক্তদনা শ্রি লঙ্কান নেভিনা এট্টেক তৌবদা তামিল নাদুগী ইন্দিয়ন ঙামী ৫ শিখ্রবনি।

# একুয়াইজ পুলিস পর্সনেলশিং প্রোটেক্সন পীনবা হোৎনখি

বেঙ্গলুরু, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): বেঙ্গলুরুদা লৈবা কর্নাটকাগী সী এমগী সিক্যুরিটিদা দিপ্লোয় তৌবা পুলিস পর্সনেল অনী দ্রগ লল্লোনবশিং ওল্লকখি অমসুং মখোয়বু সিনিয়র পুলিস ওফিসরশিংনা মতেং পাংদুনা কোর্টতগী বেল লৌহনখি হায়বসি থিজিনবদা খঙবা ঙমখ্রে।

পুলিস দিপার্টমেন্টতা ঈকায়বা নংহল্লিবা কেস অদু হৌজিক খরা কুপ্না থিজিন্নবগীদমক্তা সেন্ট্রেল ক্রাইম ব্রাঞ্চ (সী সী বি)কী স্পেসল ৱিংদা শীন্নখ্রে হায়না শগোলশেল নুমীৎতা পুলিসনা ফোঙদোরকখি।

বেঙ্গলুরু পুলিস কম্মিস্নার কমল পান্টনা কেস অদু সী সী বিদা শীন্নখি। চৈরকসিদা ইনভেষ্টিগেসন অদুদা ঙক্লিংঙাই ওইবা অকুপ্পা কয়া খঙবা ঙমখ্রে। দ্রগ লল্লোনবশিং ওল্লকখিবা পুলিস পর্সনেলশিং অদু শুপ্নগী দ্রগ শীজিন্নরম্বগী মরালদা নার্কোটিক্স দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস এক্ট (এন দি পি এস)কী মখাদা বুক তৌখি হায়বসি খঙলে।

ছোর্সশিংনা হায়রি মদুদি, ঙক্লিংঙাই ওইরিবদি মখোয় সিটি অদুগী পুলিস ষ্টেসন অমগী মনাক্তা গঞ্জা য়োনবদা চেন্নরমখি। মমাঙদা মখোয় মফম অদুদা দ্যুটি তারম্বনি। মখোয়গী মায়োক্তা রিপোর্ট অমা ফাইল তৌরবসু মখোয়বু দেপ্যুটেসনদা চীফ মিনিষ্টর বাসভরাজ বোম্মাইগী রেসিদেন্সতা পোষ্টিং পীননবগী ক্লিয়ারেন্স পীখি। একুয়াইজ পুলিস কন্সটেবলশিং শিভকুমার অমসুং সন্তোশ জন্যুৱারী ১৩দা চীফ মিনিষ্টর বোম্মাইগী রেসিদেন্স মনাক্তা দ্রগ য়োল্লিঙৈদা ফাখি। কেস অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক মওং-মরিল তানা পাঙথোকখিদবা অমদি একুয়াইজশিং অদুবু বেল ফংহনখিবগীদমক পুলিস দিপার্টমেন্টনা পুলিস ইন্সপেক্টর অশ্বাথ গৌদা অমসুং সব-ইন্সপেক্টর বীরাভদ্রস্বামি সস্পেন্দ তৌখি।

# য়ু পিগী এসেমব্লী মীখলগীদমক্তা তোপ ওপোজিসন লিদরশিংনা কেম্পেয়ন তৌগদৌরি





লক্ষনৌ, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): ফেজ ৭ থোক্না পাঙথোক্কদৌরিবা উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লী মীখলদা রুলিং বি জে পিগী মায়োক্তা ওপোজিসনগী তোপ লিদর কয়ানা কেম্পেয়ন তৌগদৌরি।

উত্তর প্রদেশকী মীখল অসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং তৃণমুল কোংগ্রেস (টি এম সী)গী চীফ মমতা বেনর্জি, নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি)গী প্রসিদেন্ট শরদ পৱার, রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী লিদর অমসুং বিহারগী হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর তেজাস্বি যাদব, শিব সেনা মিনিষ্টর অদিত্য থাকরে অমদি সঞ্জয় রৌটনা মীখলগী কেম্পেয়ন তৌদুনা বি জে পিগী মায়োক্তা অকনবা এট্টেক চত্থগদৌরি।

সমাজৱাদি পার্টিগী নেসনল ভাইস-প্রসিদেন্ট কিরনময় নন্দগী মতুংইন্না, ফেব্রুৱারী ৮দা মমতা বেনর্জিনা লক্ষনৌদা ভর্চ্যুএল ওইনা এস পিগীদমক্তা কেম্পেয়ন তৌগনি। মহাক্লা ভরান্সিদসু দিজিটেল ওইনা কেম্পেয়ন তৌবা য়াই। এন সী পি ষ্টেট য়ুনিটকী স্পোক্সপর্সন ভিশাল নাথ টিৱারিনা ফোঙদোরকপদা, শরদ পৱারনা উত্তর প্রদেশ এসেমব্লী মীখলদা সমাজৱাদি পার্টিগীদমক কেম্পেয়ন তৌগনি। এন সী পিগী লুচিংবা কে কে শর্ম্মনা এস পি-এন সী সী এল্লাইয়েন্সকী জোইন্ট কেন্দিদেট ওইনা বুলান্দশার দিষ্ট্রিক্টকী অনুপশার এসেমব্লী সিটতা কন্টেষ্ট তৌগনি হায়না এস পিগী চীফ অখিলেস য়াদবনা লাউথোকখ্রবনি।

ফেব্রুৱারী ৮দা ভর্চ্যুএল ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা লক্ষনৌগী কেম্পেয়ন অদুদা শরদ পৱার টি এম সীগী চীফ মমতা বেনর্জিগা লোয়ননা শরুক য়াবা য়াই হায়না টিৱারিনা ফোঙদোকখি। আর জে দিগী লুচিংবা তেজাস্বি যাদবনা বিহারগা তায়নবা ইষ্ট য়ু পিগী এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা এস পি শৌগৎতুনা কেম্পেয়ন তৌগনি। আর জে দিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট অশোক সিংহ রাই বরেলিগী সেরিমোনিদা এস পি-আর জে দিগী জোইন্ট কেন্দিদেট ওইগনি।

# হায় কম্মিস্নার সম্মন তৌনবা অমসুং ঙামীশিংদা চত্থবা এট্টেক কন্দেম তৌনবা তকশিনখ্রে

চেন্নাই, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): পট্টালি মক্কল কটচি (পি এম কে)গী ফাউন্দর এস রমাদোসনা শ্রিলঙ্কান হায় কম্মিস্নার সম্মন তৌনবা অমসুং মখোয়গী নেভিনা ইন্দিয়াগী ঙামীশিংদা চত্থখিবা শাথিরবা এট্টেক কন্দেম তৌনবা শগোলশেল নুমীৎতা সেন্টরদা তকশিনখ্রে।

রমাদোসকী মতুংইন্না শ্রিলঙ্কান নেভিনা হন্দক্তা কটচাথীভুদা ইন্দিয়ন ঙামীশিংগী হি অমদা অতম্না হিট তৌখি অমসুং মদুদা হি অদু কায়খি। থৌদোক অদুদা হি অদুদা তোংলিবা তামিল নাদুদগী ইন্দিয়ন ঙামী তরেৎ সমুদ্রদা তাশিনখি অমসুং মখোয়বু অতৈ ইন্দিয়ন ঙামীশিংনা কনবীখি। শ্রিলঙ্কান নেভিনা অতম্না ইন্দিয়ন ঙামীশিংগী হিদা থোমজিন্দুনা মীশি-মীনা অমদি অমাঙ-অতা থোকহন্নবা তৌখিবসি মীওইবনা চৎকদবা শাজৎ নত্তে অমসুং মদু কন্দেম তৌফম থোকই।

রমাদোসনা মখা তানা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা শ্রিলঙ্কান হায় কম্মিস্নার সম্মন তৌগদবনি অমসুং এট্টেক অদু মহাকপুসু কন্দেম তৌহনবগা লোয়ননা ঈথৎ লৈবাক অদুগী জেলদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী ঙামীশিং থাদোক্লবসু মঙোন্দা তকশিনগদবনি। কটচাথীভু ঈথৎ লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈবা অখুবা ঈশিংগী শরুক অমনি।

মণিপুর ষ্টেট পাৱর কম্পনি লিমিটেড, ইম্ফাল

পব্লিক নোটিস (in Meetei Mayek) / পব্লিক নোটিস

মতাঙনা

শেনবা চহী ২০২২ -২৩ গীদমক জোইন্ট ইলক্ট্রিসিটি রেগুলেতরি কম্মিসন মণিপুর এন্ড মিজোরামগী মফমদা এম এস পি সি এলনা ফাইল তৌখিবা এগ্রীগেট রেভেন্যু রিকোয়ারমেন্ট অমসুং টারিফ পেটিসন।

1. দিষ্ট্রিব্যুসন লাইসেন্সিনা মখা তানা শিজিন্নবগীদমক ষ্টেটকী মনুংদা পাৱর্র ত্রান্সমিসনগী থবক তৌরিবা দিম লাইসেন্সি ওইরিবা এম এস পি সি এলনা ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট, ২০০৩ গী সেক্সন ৬২ অমসুং জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এম (এম ৱাই তি) রেগুলেসন, ২০১৪ গী মখাদা শেনবা চহী ২০২২ – ২৩ গী দমক ষ্টেটকী মনুংদা মৈ ত্রান্সমিসন তৌনবা এগ্রীগেট রেভেন্যু রিকোয়ারমেন্ট অমসু তারিফ এপ্লিকেসন অদু জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এম, আইজোলদা ফাইল তৌখ্রে হায়না কঞ্জুমর অমসুং ষ্টেক হোল্ডর পুম্নমক্কী মফমদা খঙহল্লি।
কম্মিসন্না এম এস পি সি এলগী পেটিসন অসি প্রোভিজিনেল্লি এদমিট তৌরে অমসুং পেটিসন নম্বর ১ ওফ ২০২২ হায়না রেজিষ্টর তৌরে। শেনবা চহী ২০২২ – ২৩ গী এ আর আরগী শন্নপপা অদু মখাগী টেবলসিদা পীজরি।

(লুপা কোতি)

| সে নং | অকুপ্পা মরোলশিং | শেনবা চহী ২০২২-২৩ (১২-০৩-২০১৮ এম ৱাই তী ওদর দা এপ্রুভ তৌরবা) | শেনবা চহী ২০২২-২৩ (প্রোপোজড) |
|---|---|---|---|
| ১ | আর এন্ড এম খরচ | ২৯.২৩ | ১০.৫৬ |
| ২ | এমপ্লোয়ি খরচ | ৮১.৮৯ | ৮১.১১ |
| ৩ | এডমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং জেনরেল খরচ | ৫.৬৮ | ৪.০০ |
| ৪ | দিপ্রিসিএসন | ১.৭৮ | ১.৮০ |
| ৫ | লোন্দা ইন্ট্রেষ্ট | - | - |
| ৬ | রিতর্ন ওন ইকুইটি | ১.৫৬ | ১.৫৬ |
| ৭ | ৱার্কিং কেপিটেলগী ইন্ট্রেষ্ট | ৬.৫৩ | ৫.১৭ |
| ৮ | ইনকম টেক্স | ০.৪০ | ০.২৭ |
| | গ্রোস এ আর আর এমাউন্ট | ১২৭.০৭ | ১০৪.৪৬ |
| ৯ | লেস: নন টারিফ ইনকম | ৮.৬৮ | ১০.৬০ |
| ১০ | লেস: ইনকম ফ্রোম আদর বিজিনেস | ০.০০ | ০.০০ |
| ১১ | লেস: এক্সপেন্সেস কেপিটেলাইজড | ৫.৯৬ | ০.০০ |
| | নেট এ আর আর | ১১২.৪৩ | ৯৩.৮৬ |

জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এম (এম ৱাই তি) রেগুলেসন, ২০১৪ গী মতুং ইন্না এম এস পি সি এলগী অপুনবা ত্রান্সমিসন কেপাসিতিদা লৌরিবা এান্সমিসন কেপাসিতিগী সেয়রদা য়ুম্ফম ওইদুনা লোং তার্ম ত্রান্সমিসন কষ্টরমশিংদগী থাগী ফিক্স চার্জ ওইনা ত্রান্সমিসন এ আর আর অসি লৌথৎকনি।
হৌজিকমক্কী ওইনদি এম এস পি সি এলদা লোং তার্ম ত্রান্সমিসন কষ্টমর অমথক লৈরি, হায়রিবা অসি দিষ্ট্রিব্যুসন লাইসেন্সিনি, মদুদি এম এস পি দি সি এল হায়রিবা অসিনি। মরম অসিনা এম এস পি সি এলনা এম এস পি দি সি এলদগী থাগী ফিক্স চার্জ ওইনা অপুনবা ত্রান্সমিসন এ আর আর লৌথৎপগী অকুপ্পা মৱোল মখাদা পীজরি।

শেনবা চহী ২০২২ -২৩ গী প্রোপোজড ত্রান্সমিসন টারিফ

| সে নং | অকুপা মরোল শিং | একজিষ্টিং শেনবা চহী ২০২১-২২ | প্রোপোজড শেনবা চহী ২০২২-২৩ |
|---|---|---|---|
| ১ | রিকোভর তৌগদবা ত্রান্সমিসন এ আর আর (করিগুমবা এভাইলেবিলিতি অদু ৯৮% নোর্মেতিভ এভাইলেবিলিতিগা মান্নবা নৎত্রগা হেনবা মতমদা) | লুপা ৯৬.২৭ কোতি | লুপা ৯৩.৮৬ কোতি |
| ২ | এম এস পি দি সি এলনা পীগদবা থাগী ত্রান্সমিসন টারিফ (থা খুদিংগী লুপা লাখ) | থা খুদিংগী লুপা লাখ ৮০২.২৫ | থা খুদিংগী লুপা লাখ ৭৮২.২০ |
| ৩ | এম এস পি দি সি এলগী এভরেজ ত্রান্সমিসন কেপাসিতি (মেগা ৱাট) | মেগা ৱাট ২৫৪.৩৮ | মেগা ৱাট ২৮০ |
| ৪ | লোং তার্ম ত্রান্সমিসন য়ুজরশিংগীদমক মেগা ৱাট অমগী কন্ত্রেক্টেড কেপাসিটিগী থা অমগী ত্রান্সমিসন টারিফ (লুপা লাখ) | মেগা ৱাট অমগী কন্ত্রেক্টেড কেপাসিটিগী থা অমগী লুপা লাখ ৩.১৫৪ | মেগা ৱাট অমগী কন্ত্রেক্টেড কেপাসিটিগী থা অমগী লুপা লাখ ২.৭৯ |

2. এম এস পি সি এলনা প্রোজেক তৌবা শেনবা চহী ২০২২-২৩গী ত্রান্সমিসন লোস – **৭.৫০%।**
3. মথক্কী পেরা-১ দা পল্লিবা ফাইলিঙ অমসুং এপ্লিকেসনগী কোপিশিং **মেনেজিং দিরেক্তর, এম এস পি সি এল, ইম্ফাল, মণিপুর** ওফিস্টা ফংবিগনি।
4. থৱায় য়াওবশিংনা মথক্তা পল্লিবা ওফিস অসিদা ওফিস আৱর মতমদা হায়রিবা এ আর আর অমসুং টারিফ প্রোপোজেলশিং পৈশা চঙদনা য়েংবা অমদি নোট লৌবিবা য়াগনি।
5. পেটিসন খুদিংগী লুপা ৫০ শেল ওইনা নৎত্রগা দি দিগী খুত্থাংদা পীরবা মতুংদা মথক্তা হায়রিবা দোক্যুমেন্টশিংসি মথক্তা পল্লিবা ওফিসসিদগী লৌবা য়াগনি।
6. এম এস পি সি এলনা পীশিনবা এ আর আর ফাইলিং অমসুং টারিফ প্রোপোজেলশিংগী মতাংদা য়ানিংদবা নৎত্রগা হোংদোকপিনিংবা লৈরবদি সপ্পোর্টিং মেটরিয়েলগা লোয়ননা **সেক্রেতরি, জে ই আর সি এম এন্দ এম, আইজোল, তি বি এল ভবন, ২-৫শুবা ফ্লোর, ই-১৮, পিটর ষ্ট্রিট, থৎলা, আইজোলদা কোপি মঙা** তাং **১০/০২/২০২২** ফাওবগী মনুংদা হকথেংন্না থুংশিনবা নৎত্রগা রেজিস্তর্দ পোষ্টকী খুত্থাংদা য়ৌহনবিগদবনি।
7. **য়ানিংদবা নৎত্রগা হোংদোকপিনিংবা** অদু **কোপি মঙা** থোক্না পীশিনগদবনি অমসুং মপুং ফাবা মমীং অমসুং পোষ্টেল এদ্রেসকা লোয়ন্না নিংখিনা এত্তেষ্ট তৌবা এফিদেবিট অমা য়াওহনগদবনি। ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা কঞ্জুমর ক্লাস অমা হেক্তগী মায়কৈদগী ফাইল তৌবা ওইরবদি মদু পনগদবনি। ওবজেক্সন অমসুং কম্মেন্টশিং পীরিবা মীদুনা পব্লিক হিয়ারিংদা মশামক লাক্তুনা য়াওবা অমসুং মশামক্কী ৱাফম তাহন্নীংবা পাম্বা অদুসু মরিক চুন্না পনগদবনি।
8. মসিগী নোটিস অসিগী পাউখুম ওইনা পীশিল্লকপা অইবা ওবজেক্সন অদু জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এমনা য়েংশিল্লবা মতুংদা অথন্নবা তারিখ অমদা হিয়ারিংগীদমক ওবজেক্তর অদু কৌরকপা য়াই, মসিগী তারিখ অসি কম্মিসন্না মতমগী মতুংইন্না খঙহনগনি।

মেনেজিং দিরেক্তর
এম এস পি সি এল
ইম্ফাল, মণিপুর

HL-B/7437/21,22

# ইন্দিয়ানা অনৌবা ব্রহ্মোস সুপরসোনিক ক্রুজ মিসাইল মায় পাক্না চাংয়েং তৌখ্রে




ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা শগোলশেল নুমীৎতা ব্রহ্মোস সুপরসোনিক ক্রুজ মিসাইলগী অনৌবা ভর্জন অমা ওরিষাগী সমুদ্র খোংবান লম বালাসোরদগী কাপ্তুনা মায় পাক্না চাংয়েং তৌখ্রে হায়না দিফেন্স ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

দিফেন্স ছোর্সশিংনা এজেন্সীদা ফোঙদোরকপদা, মিসাইল অদু অনৌবা টেক্নোলোজিগী মচাক-মথুমশিং য়াওই। মসিগী মমাঙ থা অসিগী ১১দা লৈবাক অসিনা ব্রহ্মোস সুপরসোনিক ক্রুজ মিসাইল অমা ইন্দিয়ন নেভিগী আই এন এস ভিসাখপটনম ৱারশিপতগী কাপ্তুনা মায় পাক্না চাংয়েং তৌখি।

ব্রহ্মোস সুপরসোনিক ক্রুজ মিসাইলগী সী টু সী এদভান্স ভেরিয়েন্ট অদু ঙসি আই এন এস বিসাখপটনমদগী কাপখি অমসুং মিসাইল অদুনা দিজিগনেটেদ টার্গেট জহাজদা চপ চানা হিট তৌখি হায়না দি আর দি ওগী ওফিসলনা মতমদুদা ফোঙদোকখিবনি।

মিসাইল অসি ইন্দিয়া অমসুং রসিয়াগী মরক্তা পায়খৎপা জোইন্ট ভেঞ্চর অমনি। মসিদা দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও)না ইন্দিয়ন সাইদ রিপ্রজেন্ট তৌরি। মিসাইল অদু হন্দক্তা ইন্দক্সন তৌখিবা ইন্দিয়ন নেভিগী খ্বাইদগী নৌবা লানগী জহাজ আই এন এস ভিসাখপটনমদগী কাপ্তুনা টেষ্ট তৌখিবনি। ব্রহ্মোস অসি ইন্দিয়ন নেভিগী লানগী জহাজশিংগী মরুওইবা খুৎলায় সিষ্টমনি। মসি লৈবাক অসিগী লানগী জহাজশিংগী সর্ফেস প্লেটফোর্ম পুম্নমক্তা দিপ্লোয় তৌই। ঈশিং মনুংদা কাপ্পা য়াবা ভর্জন অমসু হৌজিক দিভেলপ তৌরি। মসি ইন্দিয়াগী সবমেরিনশিংদা শীজিন্নবদা নত্তনা মরুপ-মপাং ওইবা মপান লৈবাকশিংদা য়োন্নবসু ওফর তৌরগনি।

# বি জে পিনা কেন্দিদেটশিংগী লিষ্ট লাউথোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): উত্তরাখন্দ এসেমব্লী ইলেক্সনগীদমক্তা রুলিং ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না শগোলশেল নুমীৎতা দেল্লীদা লৈবা পার্টিগী নেসনল হেদক্বার্টরসতা অহানবা লিষ্ট ওইনা কেন্দিদেট ৫৯গী মমিংশিং লাউথোকখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং উত্তরাখন্দগী পার্টি ইলেক্সন ইন-চার্জ প্রহ্লাদ জোশিনা ষ্টেট অদুগী এসেমব্লী সিট ৭০গী মনুংদা ৫৯গী কেন্দিদেটশিং লাউথোকখি। সিট্টিং এম এল এ ১০ দ্রোপ তৌখি। চীফ মিনিষ্টর পুস্কার সিংহ ধামি, মহাক্কী কেবিনেট কোলিগ ১১ অমসুং বি জে পি উত্তরাখন্দগী প্রসিদেন্ট মন্দন কৌশিক অহোংবা লৈতনা হান্নগুম মখোয়গী কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা কন্টেষ্ট তৌনবা টিকেট পীরে। লিষ্ট অদু বি জে পি সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিটিগী মীফম মতুং মথংগী নুমীৎতা লাউথোকখিবনি।

বি জে পিনা গোৱা এসেমব্লী মীখলদা পার্টি অসিগী কেন্দিদেট ওইগদবশিংগী লিষ্টসু লাউথোকখ্রে। পার্টিনা ষ্টেট অসিগী এসেমব্লী সিট ৪০গী কেন্দিদেটশিং লাউথোকখিবনি। কেন্দিদেটশিংগী লিষ্ট অদু পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি অরুন সিংহ অমসুং ষ্টেট অসিগী মীখলগী ইন-চার্জ দেবেন্দ্র ফদনাভিসনা লাউথোকখি। রুলিং পার্টিনা চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্তবু সনক্বেলিম কন্সটিট্যুএন্সিদা কন্টেষ্ট তৌহনগদৌরি। পার্টি অসিনা সাভিও রোদ্রিগিজবু ভেলিমনা কন্টেষ্ট তৌহল্লগনি অমসুং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অজগাওঙ্করবুনা মারগাও সিটদা মীখলদা থেংনহল্লগনি। গোৱা এসেমব্লী মীখল অসি হন্দক্তি আম আদমি পার্টি (এ এ পি) অমসুং তৃণামুল কোংগ্রেস (টি এম সী)সু য়াওশিন্দুনা মল্টি-কোর্নর কন্টেষ্ট ওইগদৌরি।

# রাজস্থানদা লোনি লৌমীশিংগী লম ওক্সন তৌররোই : সী এম

জয়পুর, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): রাজস্থানগী শেন্দোল শীংবা ঙমদবদগী অৱাবা মায়োক্নরিবা লৌমীশিংগী লমশিং ওক্সন তৌবা লেপ্পনবা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর অশোক গেহলোটনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা ইন্সত্রক্সন পীখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ত্বিটর পোষ্টতা মীয়ামদা খঙহনখি। গেহলোটনা হায়খি মদুদি, লৌমীশিংনা কমর্র্সিএল বেঙ্কশিংদগী লৌবা লোনশিং শীংবা ঙমদবদগী বেঙ্কশিং অদুনা লম ফাজিনবা অমদি ওক্সন তৌবগী প্রোসেস রিমোভেল ওফ দিফিকল্টিজ এক্টকী মখাদা চথে। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ওফিসলশিংদা মদু লেপ্পবা ইন্সত্রক্সন পীখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কোওপরেটিভ বেঙ্কশিংগী তোল্লিবা লোনশিং কোকপীখ্রে। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদসু ৱান টাইম সেট্টলমেন্টকী খুত্থাংদা লৌমীশিংদা তোল্লিবা লোনগী শেনফমশিং কোকথোকপীনবা হায়জখ্রে। মসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু মসিগী স্যের পুথোক্লবা শেম-শাদুনা লৈ। লম ওক্সন তৌবা লেপ্পবা ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টনা বিল অমা পাস তৌখ্রবনি।


IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

Ref :- Mutation Case No. 18/SDC/IW-L/2022

Khuraijam Memtombi W/o (L) Khuraijam Basanta of Mayanglangjing Tamang Sorok Mapal. - Petitioner

-VS-

Late Khuraijam Basanta Singh S/o (L) Shamungou Singh of Mayang Langjing Tamang. -OP/Party

নোটিস (in Meetei Mayek) / NOTICE

20-1-2022

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার খুরাইজম বসন্তা সিংহ পীতা মৃত শামুঙৌ সিংহ সাং ময়াংলাংজিং তমাংগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৯-ময়াংলাংজিংগী অনৌবা পাট্টা নং ১২৭ দাগ নং ২২৮১ এরিয়া ০.১০০০০ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপ্তি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপ্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
IW-Lamsang

HL-P/1474/21


MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

(Meetei Mayek text)

No.MU/9-1/1/21(C)
Date: 19-01-2022

**RESCHEDULED PROGRAMME FOR THE BA/BSC/BCOM/BFT/BSW/BTT 5TH SEMESTER EXAMINATION, 2021(NOVEMBER)**

*In supersession of this o.o dated 20th November, 2021 the programme for the abovementioned examination is rescheduled as under:*

| Date & Day | HONOURS/GENERAL<br>1 pm to 4 pm |
|---|---|
| *01-02-2022 Tuesday* | **Honours Paper-V(H-505):** Ant/Bch/Ben/Bot/Chm/Com/CSc/DSt/Eco/Edn/Elt/Eng/EvSc/Geg/Gel/Hin/Hist/HR/HSc/Man/Mat/PEd/Phi/Phy/PSc/Soc/Sta/Zoo/BFT-501/BSW-501/BTT-501<br>**General Paper-V(G-505):** Chemistry/English |
| *02-02-2022 Wednesday* | General Paper-V(G-505): Geography |
| *03-02-2022 Thursday* | **Honours Paper-VI(H-506):** Ant/Bch/Ben/Bot/Chm/Com/CSc/DSt/Eco/Edn/Elt/Eng/EvSc/Geg/Gel/Hin/Hist/HR/HSc/Man/Mat/PEd/Phi/Phy/PSc/Soc/Sta/Zoo/BFT-502/BSW-502/BTT-502<br>**General Paper-V(G-505):** Botany/Philosophy/Statistics |
| *04-02-2022 Friday* | General Paper-V(G-505): Hindi/Mathematics |
| *05-02-2022 Saturday* | **Honours Paper-VII(H-507):** Ben/Chm/Com/DSt/Eco/Edn/Eng/Hin/Hist/HR/Man/Mat/Phi/PSc/Soc BFT-503/BTT-503<br>**General Paper-V(G-505):** Economics |
| *07-02-2022 Monday* | General Paper-V(G-505): Manipuri/Zoology/ BFT-504/BTT-504 |
| *08-02-2022 Tuesday* | General Paper-V(G-505): Anthropology |
| *09-02-2022 Wednesday* | General Paper-V(G-505): Physics/Political Science |
| *10-02-2022 Thursday* | General Paper-V(G-505):Computer Science/Sociology |
| *11-02-2022 Friday* | General Paper-V(G-505): Education |
| *14-02-2022 Monday* | General Paper-V(G-505): Geology/History |

Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh
Controller of Examinations (i/c)

HL-B/7438/21